থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# রাস-লীলা শান্নফম, থিবা ৱাফম থোক্তেনা !

রাস লীলা হায়বা ৱাহৈ অসি 'সংস্কৃৎ-সব্দ', সংস্কৃৎ লোন ওইরবসু হিন্দু-লাইনিং চৎপা মীতৈশিংগী মরক্তদি, নীংজরিবা অথোইবা লাই (শ্রীকৃষ্ণ) অদুগা থানবা শুকয়া য়াররোইদবা মরুওইবা ৱাহৈ-জুরা অমনি। হৌজিক্তি লাইনিং লম্বীদুগা মরী লৈনদ্রবা, মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি শক্তাকপদা, শক্তাক্লফম ওইবা, মরা তাখ্রবা নাৎকী মশক লৌরক্লে। মণিপুরী দান্স (মণিপুরী জগোয়) হায়বা কলা মখল অসিবু মালেমনা মশক খঙলিবা- 'রাস লীলা' হায়না খঙনবা 'ক্লাসিকেল দান্স' মখল অদুননি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবসি, ইচম চম্বা, পোলিটিকেল ইমপোর্টেন্স লৈত্রবা পোলিটিকেল ইন্সত্রুমেন্ট (মর্জর এগ্রীমেন্ট) অমখক্তা খুৎয়েক পীনরগা তিল্লকখিবা নত্তে। 'মণিপুরী দান্স' কৌবা পোৎশক অমা ইন্দিয়াদা খুদোল তৌদুনা 'ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল দান্স' অমা ওইখিবনি। ইন্দিয়াবু মপান্দা শক্তাকপদা মণিপুরী জগোয় য়াওখিবনি। কৃষ্ণ, রাধা অমদি সখি (মতারোই) শিংগা লোয়ননা শান্নবা লীলা (কুঞ্জে) গী মতাং হিন্দুগী মমিং লৈরবা লাইরিকশিং 'ভারত পুরান' অমদি 'গীত গোবিন্দ'নচিংবদা থেংনৈ। 'কথক' হায়না খঙনবা অতোপ্পা ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল দান্স মখল অদুসু কৃষ্ণগী রাস লীলাদা য়ুম্ফম ওইবনি। অদুবু রাস লীলা হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনবা ক্লাসিকেল দান্স মখলদুদি মণিপুরী দান্স অসিবুনি। কৃষ্ণগী বাঁসি মখোলদা ঙাওরবা গোপিশিং অমদি রাধানা ময়ুম-ময়ুমদগী থোক্লক্তুনা বৃন্দাবনগী উমংদা অহিং অমা শান্নখিবা রাস লীলা অদু ঈশৈ নোংমাই অমদি তালদা খোঙনেৎনবা হকচাংগী শাওং শাথেক ময়াম অদুবুনি, হোংদোক হোংজিন য়াদ্রবা, মশাগী লেংদ্রবা শক্তম অমা লৈজরবা, ক্লাসিক ওইরবা জগোয় মখল অদুনি- 'মণিপুরী রাস লীলা'। মণিপুরগী নিংথৌ ওইরম্বা 'ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ'না ১৭৭৯ দা পুথোক্লম্বা জগোয় মখল অসি মীতৈ ফুরুপ অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ক্রিয়েটিভিটিগী মেনিফেষ্টেসন (মফোঙদোক) অমনি। রাধা-কৃষ্ণ-পোপিশিংনা শান্নবা রাস-লীলাগী অহিংদু, হায়নৈ কৃষ্ণগী মতিক ময়াইনা লোইনাইদ্রবা অহিং (ব্রহ্মাগী অহিং) অমা ওইহনখি। ব্রহ্মাগী অহিং হায়বসিগী অশাংবা চহী বিল্লিয়ন ৪.৩২ নি। ঙসি ফাওবা লোইদরি।

ঙসি রাস লীলাগী ৱারী অমা থম্মোয়সিনা তম্নিংলক্লিবা- ঙরাং নহানদগী জগোয়সিগী শান্নফম মণিপুরগী শেংলবা মফম 'কংলা'দা শাগৎলকপসিগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্কদবগী মওংদা ঙাঙনরকপদু নাকোংসিদা য়ৌরকপদুদগীনি। কংলা-মণিপুরগী মীয়ামসিনা লাইফমলেন অমা ওইনা লৌনরিবা মফমনি। লমদমসিবু অদুঙৈ কংলৈপাক কৌনরম্মী থাজনরিবা মফমসিগা মরী লৈনৈ। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মফমসিগা শাগোন্নবা ৱারী কয়া লৈখি। খ্বাইদগী নৌবা পুৱারীগী তাঙ্কক হায়রগা- নীংতম্লম্বা মণিপুরনা বৃটিশকী খুৎতা তাখিবা মতম, ১৮৯১, মণিপুরগী কোনুং কংলাদা ওইদুনা লৈবাক লৈঙাক তৌরম্বা অদুনি। ঙসি থোক্লিবা ৱাথোকসিসু মতমদুদা বৃটিশ অচৌ অশাংশিংবু পেলহন্নবা মফমসিদা রাস লীলা শান্নখি, থৌদোক্তুবু নীংশিংবগা মরী লৈননা, মফমসিদা লেঙদ্রবা রাস লীলা শান্নফম অমা শেমগৎলগনি হায়বগুম্বা প্রোপোজেল অমা থাঙ্গৎলকপা মানবা অদুদগীনি।

মতাংসিদা ঐখোয়না নীংশিংগদবা ৱা অমা লৈ মদুদি- হান্নদগী, মৈহৌরোলগী মতমদগী মীতৈশিংদা য়াওজরক্লবা ক্রিয়েটিভিটিগী গুন অদুদা, নৌনা থুংলবা লাইনিং লম্বী অমদি মালেমগী মফম কয়াদসু হান্ননা পাক শন্না শন্দাকখ্রবা শ্রীকৃষ্ণগী ৱারীনা মতমদুগী নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী থম্মোয়বুসু শুমহৎখিদুনা, মহাক্কা ক্রিয়েটিভিটি'দা ঈনোদ হাপখিবগী ৱারী। মীরান লৈপাক্তা লোই থাদুনা লৈরিঙৈগী ৱারী, মহাক্কী মঙদা শ্রীকৃষ্ণ মশামক লাক্তুনা মহাক্কী মিতম অমা শাদুনা লাৎননবা য়াথং তৌরম্বগী ৱারীনচিংবা- নৌনা অমুক লীরুবগী মথৌ তাদ্রবা, পুৱারীদা লাচনদুনা লৈখ্রবা ৱারীশিংদুগী নীংশিং খুভম- ঙসিসু কায়দনা লৈরিবনি। কাইনা চীংদা চৎতুনা থৈবোঙ পাম্বী য়াল্লুবগী ৱারী- মণিপুরগী রাস লীলাগা থানবা য়াররোইদবনি। জগোয়সিনা মুৎখ্রবদি মুৎখরে, জগোয়সিনা মাঙদ্রিমখৈ কাইনা চীংগী খুভম কনানসু কাউবা ঙল্লোই। রাস লীলা শান্নফম খ্বাইদই মফম চাবা অমদি মরম চাবা কাইনদই হেনবা অতৈ অমা লৈফম থোক্তে। সঙাই ফেষ্টিবেল নৎত্রগা ভাগ্যচন্দ্র নেসনল দান্স ফেষ্টিবেলনচিংবদা জগোয় রাস শান্নফম - কাইনগী খুভমদা শোয়দনা ওইফম থোকপনি। জগোয় অদু শারুবগী সিগ্নিফিকেন্স'সু লৈগনি। তৌবতবু, মফমদুদা জগোয় য়েংবা চৎপশিংগী লৈফম চাফম লৈতবদু খক্তনি লৈঙাকসিনা ৱাবীগদবা। টুরিজম দিপার্টমেন্ট'না করিগী ৱাখল লীশাং থাদবনো? নিলগীরি হিলসকী চীংখোঙদা উতিদা লৈহৌবা খাংপোক (কোত্তেজ) শিং- লেঙবীরুদ্রিবজাৎলা ঐখোয়গী অচৌ অশাং মিনিষ্টরশিং!

কাইন-চীংদু খিত্তং লাপমল্লি, শেমগৎপদা শেল চঙনি কিরগসু ঈনক নকপা কাঞ্চিপুরগী কোনুং মনাক্তা মতম অমদা নিংথৌশিংনা শেমগৎলম্বা রাস-মন্দল লৈরিনা! ডোক্তর কমল কবিনা, মাধবিদা অমর ওইহল্লম্লবা মফমদুদা রাস-লীলা শান্নফম নৌনা শেমগৎপনা কংলাদা শেমগৎপদগীদি হেন্না সিগ্নিফিকেন্ট ওইগনি হায়বসি টুরিজম মিনিষ্টরদা ফাওবীদবরা? চুম্না হঙ্গৎচবনি। প্রজা নঙনা হায়ববু রাজা ঐনা লৌগদ্রা হায়বই মাইন্দ-সেত অদুদা লৈরম্লগদি খঙজদ্রে।



লৌশিং পুক্কে

# মীরোল্লিঙৈদা চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক শীজিন্নবনা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা খুদোংথিবা থোকহল্লি

মশা ৱাই শংদ্রিঙৈদা চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক (পেনকিল্লর) শীজিন্নবা তারবদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্গকী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়, মীরোল্লিঙৈদা পেরাসিটামোল য়াওনা চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক শীজিন্নগে হায়রবদি অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক হান্না লৌগদবনি। পেনকিল্লরনা পুক্নুংদা লৈবা অঙাংগী দি এন এদা অকায়বা থোকহন্দুনা তুংগী মীরোল কয়া মমা-মপা ওইবা ঙমহন্দবগা লোয়ননা রিপ্রদক্টিভ সিষ্টেমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

তঙাইফদবা ফীভম লাকপা তারবসু এসিটামিনোফেন হায়না খঙনবা পেরাসিটামোল শীজিন্নবা মতমদা য়ারিবমখৈ চাং হন্থনা অমসুং মতম তেন্না শীজিন্নগদবনি। অদুম ওইনমক আইবুপ্রোফেনদি য়ারিবমখৈ মীরোল্লিঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি হায়রি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, মীওইবগী টিস্যু লৌরগা লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবা মতমদা স্পর্ম অমসুং মরুম পুথোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা সেলগী মশিং শরুক হন্থরকপা থেংনখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, পেরাসিটামোলদা এক্সপোজ তৌবা মতমদা ওভারিদা য়াওবা মরুম পুথোক্কদবা সেলগী মশিং চাদা ৪০ রোম হন্থরকই। নুপীশিংনা অঙাংখাউদা মরুম পুথোকপনি। মরুম পুথোক্কদবা সেল মশিং হন্থনা য়াওরগা পোক্লকপা নুপীশিং চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ খমখি।

মীরোল্লিঙৈদা পেনকিল্লর শীজিন্নবা তারবদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অদু নুপামচা ওইবা তারসবু অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। পেরাসিটামোল নৎত্রগা আইবুপ্রোফেননা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংগী স্পর্ম পুথোক্কদবা সেল মশিং মরিরোম হন্থহল্লি।

উচিদা চায়েং তৌদুনা য়েংবদা পেরাসিটামোলনা স্পর্ম পুথোকপা ঙম্বা সেল মশিং চাদা ১৭ লোম হন্থরকপা থেংনখি। মীরোল্লিঙৈদা চৈনাখোল ফাথনবা হীদাক শীজিন্নবনা পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংগী স্পর্ম পুথোক্কদবা সেল মশিং হন্থহল্লি হায়বা মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি খরদগীসু খঙবা ঙমখ্রবনি। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাং অদুখক নত্তনা মীরোন কয়াদা মথং মথং অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়রিবা রিপোর্ট অসিনি।

থিজিন-হুমজিনবা কাঙবু অমা লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্গকী রোদ মিটচেলনা হায়, নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈদা তঙাইফদনা পেনকিল্লর চাবা তারবদি অখঙ অহৈশিংগী পাউতাক লৌরগা কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

অমরোমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ আইওৱাগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কারা হ্বিটেকরনা লুচিংলগা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, নুপীনা মীরোল্লমদাইদা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশা-মউ ফনা থম্লবদি গেষ্টেসনেল দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকই। গেষ্টেসনেল দাইবেটিস হায়বসি মীরোল্লিঙৈদা অঙাং উনরমদাইদা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপগী থৌওংবুনি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবা নুপীশিং অঙাং উনরবা মতুংদা টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াই।

মীরোল্লিঙৈ মনুংদা নুপী খুদিংমক করম্বা চীঞ্জাক চাগদগে অমসুং করম্বা মওংদা শাজেল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা কা হেন্না চেকশিল্লি। হেন্না মরুওইরিবদি মীরোল্লমদাইদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদুনি হায়না ষ্টদিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কোরোনরি অর্টরি রিস্ক দিভলপমেন্ট ইন য়ঙ এদল্টস (সী এ আর দি আই এ) কৌবা ষ্টদি অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ আইওৱাগী রিছার্সরশিংনা নুপী ১,৩৩৩ দা কুমজা ১৯৮৫ দগী কুমজা ২০১১ ফাওবা চহী ২৫ হেন্না ষ্টদি চথরম্মী। ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, নুমীৎ খুদিংগী পুংখায় অমরোম ময়ায় ওইরপ চাংদা হকচাং শাজেল তৌরবদি গেষ্টেসনেল দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থরকপগা লোয়ননা হিরম খুদিংমক্তা কান্নবা ফংই।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মেরিলেন্দদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ফোর চাইল্ড হেল্থ এন্দ হ্যুমেন দিভলপমেন্ট (এন আই সী ঐচ আই দি) গী রিপোর্ট অমনা হায়, মীরোল্লমদাই অমসুং মীরোনবদা ঙায়রিঙৈদা প্রেসর ৱাংখৎলকপা তারবদি অঙাং কায়বা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি মীরোল্লিঙৈদা ঈ ৱাৎপগী মতাংদনি। 'দ লেন্সেট গ্লোবেল হেল্থ' জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমদা লন্দনগী ক্বিন মেরি য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সরশিংনা হায়, মীরোল্লিঙৈদা ঈ ৱাৎপা নুপীশিং অঙাং উনবদা শিবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৯ গী নুপী ৩,০০,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি। মসিমক্তা ওইবা তাই নুপী ওইবীশিংগীদমক্তদি মীরোনবা অমসুং অঙাং উনবা হায়বসি পুন্সিগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা লাংফমনি হায়নরিবসি।



# কংলাগী ৱাথোক পোলিটিকেল ইস্যু ওইনা ওন্থোকপীগনু: অকোম লুপ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস):

কংলাগী ইস্যু অসিবু কনাগুম্বা খরনা সনামহীজমগী ওইবা চয়েৎনবা ওইনা উহন্নবা কন্না হোৎনবা অসি লায়বক থিবনি হায়না ওল ক্লব ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন এন্দ মৈরা পায়বী লুপ (অকোম লুপ) না ফোঙদোরক্লি।

অকোম লুপকী আই পি আর, কেঐচ ধারানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপ কয়ানা মশা মশাগী অপাম্বা লাইনিং লাইশোল চৎপদা ফুরুপচা অমত্তদা য়েৎখিবা ঙসি ফাওবা লৈত্রি। ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা কুপ্পা য়েংশিল্লুরবদি তোঙান তোঙানবা লোল লোঞ্জবা ফুরুপ কয়া অসি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা লাক্লি। কংলাগী ইস্যু অসিবু কনাগুম্বা খরনা সনামহীজমগী ওইবা চয়েৎনবা ওইনা উহন্নবা কন্না হোৎনবা অসি লায়বক থিবনি। হিরম অসিদা লৈবাক অসিদা হান্না পাল্লম্বা অমদি হৌজিক পাল্লিবা লুচিংবশিং অসিনা অমনা অমদা তায়শিন্নদুনা ইরৈচাশিংনা পাল্লিবা ৱাহন্থোক অদুদা হেন্না চমম্নবা পোকহনবা ওইনা থোক্লক্লি।

কংলা হায়বসি মৈতৈ/মীতৈ লাইনিংগী ওইবা অমত্তা ঙায়রবা মফম অমনি হায়বসি হান্না পুন্না খঙমিন্নবা চুমগনি। কংলা মনুংদা করিগুম্বা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা লৌখৎপা মতমদা পোলিটিকেল মাইলেজ লৌনবা হোৎনবদা ইপা ইপুগী হৌরকফম কাউথোক্তুনা পুরকপা দিভলপমেন্টদি মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ৱাঙাংলোইনা লৌখৎলিবা থবক অসি হান্নগী লৈঙাক্লা লৌখৎলম্বা থৌরাংনি, ঐখোয়দি ইমপ্লিমেন্ট তৌবনি হায়বসি হৌজিক ওইরিবা লীদরশিং অসিগী মীৎয়েংদা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট অসি মুন্না খঙদনা কম্মেন্ট পীবনি। লৈঙাক অমনা তৌরম্বা থবক অসি মীয়াম্না পামদ্রবদি মদু খন্নদুনা মীয়ামগী পেন্নবা তৌবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি।

ইস্যু অসিগী মতাংদা সনামহিজমগী ওইবা য়েৎনবা মানবা মওংদা পুথোরকপসি অচৌবা লায়বক থিবা অমনি। কংলা হায়রিবা মফম অসি মৈতৈ লাইনিংদা নত্তনা মৈতৈগী চৎন-কাঙলোন/কলচরগী হৌরকফমনি। হৌরকফম অসিদা করিগুম্বা ইস্যু অমা লাকপা মতমদা লীদর ওইরিবশিংনা মানা তৌরম্বনি হায়দুনা লৈথোক লৈশিন তৌবসি তৌহঞ্জনিংদে। হেন্না থৌদাং লৈবা ৱারোল থমহঞ্জনিংই। চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট অসি খঙবীদুনা শেমগৎলিবা শঙলেন অসিগী মতাংদা মমাংগী গভর্নমেন্টনা দান্স পর্ফোমেন্স প্লেটফোর্ম অমা ওইনবা টুরিজমগা মরী লৈননা শেমগৎপনি অমদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তান্নগনি হায়বীরকপা অকোম লুপ্না তরাম্না ওকই অমদি ইস্যু অসিবু নাথৈদুনা তোঙানবা মওং অমদা চৎখিদনবা শারিবা শঙলেন অসি মীয়ামদা নাখৈ শেংদ্রিবা ফাওবা লেপ্পীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

কংলাদা শারিবা শঙলেন অসিগী মতাংদা অকোম লুপকী মায়কৈদগী থমজনিংবদি, কংলা মনুংদা শঙলেন অসি শাবা মতমদা লৈরমদবা পুৱারি অমবু লৈরম্মী নৎত্রগা লৈবা মানবা মওংদা ওল্লক্তনবা হিরম অসিগী মতাংদা পব্লিক দিসকোর্স অমা তৌবা চুমগনি। দিসকোর্স অসিদা তোঙান তোঙানবা পেপর কয়া প্রজেন্ট তৌদুনা শঙলেন অসি শারবা মতমদা তুংগী পুৱারিদা করি ওইরকপা য়াই হায়বসি নৈনদুনা য়াম্না ওপন ওইবা মওংদা ফুরুপচাশিংনা পুন্না তান্নমিন্নবা ফৈ হায়রি।

অকোম লুপ্না থমজনিংবদি ইস্যু অসিবু লাইনিং লাইশোনগী ওইবা ইস্যু নৎত্রগা পোলিটিকেল ইস্যু ওন্থোকপগী মহুত্তা দান্স পর্ফোমেন্স প্লেটফোর্ম অসিগী মমীং থোনবা অমদি পর্ফোমিং আর্টশিং অসি মফম অসিদা উৎলকপা অমসুং জগোয়গী ওইবা পুৱারি নৈনরকপদা মফম অসিদা দান্স পর্ফোমেন্স প্লেটফোর্ম ওইবদা করি মাঙজৈ অমদি তোংজৈ হায়বসি ময়েক শেংনা নৈনবা চুমগনি হায়রি।

# এদিস্নেল দিরেক্তর বিরমনি লম্ফেল পুলিসনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস):

সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্তর ঐচ বিরমনি ঙসি ভিজিলেন্স এন্দ এন্তি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন স্পেসল জজগী কোর্টতা পুথোরক্লবা মতুংদা লম্ফেল পুলিসনা অমুক ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

প্রেসনা ফঙবা পাউগী মতুংইন্না, ঐচ বিরমনিদগী ফাগৎখিবা পোইন্ট ৩২ গী পিষ্টোল অনী অদুগী মনুংদা অমনা লাইসেন্স গননি অদুগা অমনা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোলনি। কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অদুগীদি লাইসেন্স য়াওরমদে। লম্ফেল পুলিসনা আর্মদ এক্তকী মতুংইন্না ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরবা মতুংদা সী জি এম ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোল্লগা থা অসিগী ২৪ ফাওবা পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা ঐচ বিরমনি ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্তগী ফাখিবনি। মহাক ফাবা মতমদা পোইন্ট ৩২ গী পিষ্টোল অনী, নোংমৈ মরু ৮৪, শেল ওইনা লুপা ৩,০৬,৬৪০, সনা সন ৪৮, মোবাইল হেন্দসেট অনীনচিংবা ফাগৎখিবনি।

# মেদিকেল ইগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস): পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল, ২০১৬) কী পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) লৌবগী ৱেট্টিং লিষ্টতা খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংগী মেদিকেল ইগজামিনেসন ফর্ষ্ট এম আর ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওফিস ওর্দর ১০/০৯/২০১৮ অমসুং ১১/১০/২০১৮ কী দ্রিল সেট অয়ুক পুং ৮ দগী ৪ ফাওবা ওক্তোবর ২২, ২৩ অমসুং ২৫ দা পাঙথোক্কনি। পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) গী ফম লৌনবগীদমক্তা খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং, অনৌবা পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ অনী অমসুং মশা মশাগী ব্লদ গ্রুপ সর্টিফিকেট লৈঙাক্ল া শকখঙলবা হোস্পিটাল নৎত্রগা ক্লিনিক অমদগী লৌদুনা অহানবা এম আরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়দুনা আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# শৈরেং শৈদিন্নগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা চীফ গেষ্ট অমসুং মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট সমুরাইলাৎপম পহ্লাদনা প্রিসাইদ তৌগনি। থৌরম অসিদা অইবা অইবী কয়ানা মশা মশাগী ওইবা শৈরেংশিং লান্থোক্কনি। থৌরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

# অনৌবা সেরিকলচর ওফিসরবু তরাম্না ওকই: য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস):

মালেমগী মীয়াম মমাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লমদম অসিগী ফিগে ফনেক, রানি ফি অমদি মখল কয়াগী শেৎন-ইন্নবা ফিজোলশিং শাবদা খ্বায়দগী মরুওইরিবা মখল মখা কয়াগী মুগা লং পুথোক্লবগীদমক্তা লৈরিবা সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট অসি য়াম্না মরুওইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইদুনা লৈরি হায়না সেরিকলচর ফারমর্স দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা ফোঙদোরক্লি।

সেরিকলচর ফারমর্স দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি কেঐচ নোয়োন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা মণিপুরগী ওইনা সেরিকলচরগী লমদা পোখোক ফজনা পুথোকপা দিষ্ট্রিক্ট ওইরম্বদগী হৌখিবা চহী অমা মখায় অসিদদি পোখোক ফজনা পুথোকপা ঙমদনা লাক্লি। মসিগী মরুওইবা মরমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসর ওইনা থৌ পুরম্বা মীওই অমনা দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসর হেক ওইরকপদগী সেরিকলচর ফার্মরশিংগা দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসরশিংগা লৈনগদবা মরী লৈনরক্তবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরম্বা সর্কল ইন-চার্জশিং অমদি ষ্টাফশিং ট্রান্সফর তৌথোকখিবা অমদি ষ্টাফ মশেলশিংগী মরক্তা খায়বুং খায়বুং তানবা অমদি পুকচেল পীকপা থৌওং কয়া চথরকপদগী ওইহল্লকপনি থাজৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিগুম্বা লৈরু লৈরুবা মফমদা প্রোব্লেম অদুমক থোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসর অমবু অতোপ্পা মফমদা থাংদোকপীদুনা মহাক্কী মহুত্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা সেরিকলচর ওফিসর অমা নৌনা হাপ্পীরকপগীদমক দিপার্টমেন্ট অসিগী থৌ পুরিবা মিনিষ্টর, দিরেক্তর অমদি মরী লৈনবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি অমসুং অনৌবা ওফিসর অসিবু তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অশিবা মশক খঙলে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ঙরাং জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না এফ সী আইগী চেঙ পুদুনা লাকপা ত্রক (এম এন ০৫এল/১৯০৬) অমা নুংবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মাইলষ্টোন ১১৬ রেংপাং খুল মনাক্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা হেন্দিমেন অমা শিখিবা অদু মশক মমীং খঙবা ঙল্লে।

লায়বক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা হেন্দিমেন অদুগী মমীং থাংলেনসৈ কিপজেন (২২) অপোকপা থেনপাউ কিপজেন কৌই। মহাক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সিনাম কাইথোং ভিলেজদা লৈবনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি নুংবা পুলিসনা পুরক্লগা জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে। ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা মাইলষ্টোন ১১৬ রেংপাং খুলদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অদুদা ত্রক অদুগী দ্রাইভর লিলোংদগী অবিরা খান (৩২) দি শোক্তুনা লায়কন্নরি।

# অনীশুবা রিভিয়ু মীটিং ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কন্ফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী বিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী অনীশুবা রিভিয়ু মীটিং ওল্ড সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসনগী চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নরসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবুনা ময়াই তাংবল লৌখি। ঙরাংগী মীফমদা মরু ওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং অমসুং কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎখিদবগী মতাংদনি। মীফম অদুদা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা কেসশিংগী মথৌ তাবা চে-চাং পুন্নমক পীখৎলক্লবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহনবগী ৱাফম খন্নখি। ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফনা পুলিস দিপার্টমেন্টকুম পুং ২৪ ওফিসতা লৈতবা মরম্না লেন্দলাইন নত্তবা দেদিকেটেদ মোইবাইল নম্বর অমা থমহন্নীংবগী অপাম্বা চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখি।

ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর এল বিক্রম; এস পি বলরাম অমদি এদিসনেল এস পি; দি এস পি, ইন্সপেক্টর অমসুং সব ইন্সপেক্টরশিং য়াওনা ওফিসর ২৫ রোম্না ঙসিগী রিভিয়ু মীটিং অদুদা শরুক য়াখি। সেপ্তেম্বর ২২ দা অহানবা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকপা লৈখ্রবনি।


DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur
BOSEM COHSEM CBSE
ADMISSION OPEN ☞ Revision
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
DELTA's Top 3 Positions of 2018 Exam
Class X (CBSE): 95.4% 89.4% 82.8%
Class XII Arts(CBSE): 88.4% 83 % 78 %
Class XII Sc. (COHSEM): 68.4% 67 % 65.8%
Class XII Sc. (CBSE): 86 % 81.2% 72.4%
Class XII Arts(COHSEM): 79.8% 78 % 76.8%
CBSE Class X Class XII (Sc./Arts)
COHSEM Class XII (Sc./Arts)
Starting from 29 Oct. 2018
Available: Hostel/Van
HL-B/4895/2/10-1/11





HL-B/4876/2/29-21/10